কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : উমাথেল অৱাং লৈকায়দা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পেন্দেমিক ওইনা শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজসন (দব্লিয়ু ঐচ ও), ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সী এম আর) অমসুং মণিপুর ষ্টেটকী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মীয়ামদা পীবা চৎনা-কাঙলোনশিং মপুং ফানা ঙাক্তবদগী লাইচৎ অসিনা কম্ম্যুনিটি স্প্রেদ তৌরকপা লোয়ননা পাক শন্না ঐখোয়গী মীয়াম লাইচৎ অসিগী ভিক্টিম ওইরক্তনবা অমসুং কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিবু মাঙজিল থান লান্থেংনরিবা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংনা মশাগী মথৌ লোইদুনা য়ুমদা হল্লকপা মতমদা লৈকায়দা চঙহন্দবা, তাথি-তাওইনা তৌবীবা অমসুং পোজিটিভ ওইরুরবা মতুংদা ফগৎলক্তুনা হোম ক্বারন্টিন তৌজ রিবা মীওইশিংদা মীয়াম্না অরানবা মীৎয়েং য়েংবদগী সোসল ষ্টিগমা লৈরকপা লোয়ননা লৈকায় লৈকায়দা শম্বল খাদুনা তঙাইফদবা মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদা চাউনা অকায়বা পীরকপা কয়া অসি এৱেয়ার্নেস পীদুনা মীয়াম ৱাখল তাহন্নবা পান্দমদা কাদানা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উমাথেল অৱাং লৈকায়দা কাদা, দিভলপমেন্ট কম্মিটি উমাথেল অৱাং লৈকায় অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা) পুন্না খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, থৌবাল ইমাগী ভাইস প্রসিদেন্ট খুমুকচম মেমা, সোসল ৱর্কর খুমুকচম শ্যামসুন্দর অমসুং কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম নেনানা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজম অমসুং কাদাগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন ময়েংবম বুধিনা শরুক য়াখি।

রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা হায়খি, হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মীয়ামদা পীবা কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্লবা চৎনা-কাঙলোনশিং মপুং ফানা মীয়াম্না ঙাক্লরক্তবদগী নোংম-নোংমগী লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং হেনগৎলক্লিবনি অমসুং কম্ম্যুনিটি স্প্রেদ তৌরকপনি। চৎথোকপা মতমদা ফেস মাস্ক উপ্তুবা, করিগুম্বা উপ্পবসু কাঙলোন চুম্না ফেস মাস্ক উপ্তুবা, খুৎ-শা তোয়না হামদোকপগী হৈনবী লৈতবা, মীয়াম পুনবগী হৈনবী থাদোকপা ঙমদবা অসিগুম্বা মরমশিং অসিনা ঙসি লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলকপনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। কোভিদ-১৯ করিনো হায়বদি খঙলে অদুবু কোভিদ-১৯দগী করম্না ঙাকথোক্কনি অমদি লান্থেংনগনি হায়বসিদি খঙবা ৱাৎপগুম তৌরি হায়খি।

থৌরমগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা সোসল ৱর্কর খুমুকচম শ্যামসুন্দরনা হায়খি, হৌজিক শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন করম্বা মতমদা পুথোক্কদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদবনা ঐখোয় কোভিদ-১৯গা মতম শাংনা লান্থেংনখিগদৌরি।

হৌজিক অনলোক ৪.০ লাকখ্রে, হীরম অয়াম্বদা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকখ্রে। মীয়াম য়ুমদগী মপান থোকপা, চৎথোক-চৎশিনগী চাং হেনগৎলক্লি। কোভিদ-১৯ অসি হেন্না মীয়ামগী মরক্তা শন্দারকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈতবা নত্তে। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। লোয়ননা য়ারিবমখৈ মায়দা খুৎনা শোকপীরোইদবনি। মরমদি কোভিদ-১৯গী মহিক অসিনা মীৎ, নাতোন অমদি চীন্দগী ঐখোয়গী হকচাংদা চঙখিগদৌরিবনি হায়না ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

থৌরমগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়খি, মীয়াম্না হৌজিক থেংনরিবা লান্থেংনসি অনীনি। অহানবদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কঞ্জনবা থেংনদুনা লাকপা লান্থেং অদুনি। অদুগা অমনা হৌজিক হৌজিক মালেম পুম্বদা পাক শন্না শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী কঞ্জনবা লান্থেং অসিনি হায়খি। লান্থেং অনী অসি খ্বাইদগী মরু ওইবসি ঐখোয় খূদিংমক হকচাং ফনা লৈবা হায়বসিনি। মরমদি ঐখোয়গী হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টম শোনবা মতমদা কোভিদ-১৯গী মহিক অসিনা ঐখোয়বু মায়থীবা পীবা ঙম্মী। হকচাং ফনা লৈননবা অফবা চীঞ্জাক চাবগা লোয়ননা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল খূদিংমক্তগী লাপ্পা লৈদুনা লান্থেং অনীসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়বা ৱাফম থমখি।

লৌশিং পুক্কে

ট্যির গ্যেসনা মীওইবগী হকচাংদা করম্না শোকহনবগে-১

ট্যির গ্যেস শীজিন্নবা হায়বসি হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী কম্মন ওইনা শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লিবা থৌওং অমা ওইরক্লি। মসি লমদম অসিদতা নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়াগী লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সি কয়ানা মীয়াম তিনবা অমদি মীয়ামগী ইহৌ লাকপা মতমদা থুগাইনবগী পান্থৈ ওইনা শীজিন্নৈ।

কুমজা ২০১৩দা চথখিবা রিসার্চগী রিভিয়ু অমদা থেংনখি মদুদি, ট্যির গেসনা থোকহনবা হকশেলগী খুদোংচাদবশিং অসি য়াম্না কম্মন ওইদে। অদুবু মসি শীজিন্নবা য়াবগী মতাংদা য়েৎনবা কয়াদি লৈরি।

অঙাং অমসুং রেস্পিরেটরি কমপ্লিকেসনশিং লৈবা মীওইশিং ট্যির গ্যেসতা এক্সপোজ তৌবদা খুদোংচাদবা থোকপগী চাং হেনগৎলকপগী রিস্ক হেনগৎলকপা য়াই।

ট্যির গ্যেসনা মীওইবগী হকশেলদা করম্না শোকহনবগে অমদি মসিদা এক্সপোজ তৌরুরগদি করি তৌগদগে হায়বদু মখাদা পীরি।

ট্যির গ্যেস হায়বসি ঊনশা, রেস্পিরেটরি অমদি মীৎকী ইরিটেসন থোকহনবা কেমিকেলশিং পূনশিল্লগা শেম্বনি। মসি অনম্বনা কেনিষ্টর, গ্রেনেদ নৎত্রগা প্রেসরাইজ স্প্রেদগী কাপথোকহন্দুনা দিপ্লোই তৌই।

মমিংদা ট্যির গ্যেস কৌজরগসু মসি গ্যেস অমদি নত্তে। মসি দিপ্লোই তৌবা মতমদা মৈখূ পুথোকপা প্রেসরাইজ তৌরবা পাউদরনি। খ্বাইদগী কম্মন ওইনা শীজিন্নবা ট্যির গ্যেসতি ২-ক্লোরোবেঞ্জালমালোনোনিট্রাইল (সী এস গ্যেস) হায়রিবা অসিনি। মসি ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯২৮দা অমেরিকান সাইন্টিষ্ট অনীনা দিস্কভর তৌখিবদগী কুমজা ১৯৫৯দা মীয়াম পূন্দুনা ইহৌ হৌরকপা মতমদা কন্ত্রোল তৌনবগীদমক য়ু এস আর্মিনা এদোপ্ট তৌখিবনি।

অতোপ্পা কম্মন ওইবা ট্যির গ্যেস মখলশিংগী মনুংদা ওলিওদসিন কেপ্সিকম (পেপর স্প্রে), দাইবেঞ্জোক্সাজেপিন (সী আর গ্যেস), অমসুং ক্লোরোএসিটোফিনোন (সী এন গ্যেস)নচিংবা পনবা য়াই।

ট্যির গ্যেস অসি ৱর্ল্ড ৱার ১দা কেমিকেল ৱিপন অমা ওইনা শিজিন্নখি। অদুমওইনমক, হৌজিক্কী মতম অসিদদি মসি লানগী মতমদা শীজিন্নবা ইল্লিগেল ওইরে। কুমজা ১৯৯৩দা মালেমগী লৈবাক কয়ানা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা লানদা কেমিকেলগী খূৎলায়শিং শীজিন্নবা থিংনবগী ইন্টর্নেসনল ট্রিটি অমা সাইন তৌনখি।

ট্রিটি অদু য়ু এনগী মেম্বর ষ্টেটশিং, মিং ওইনা পল্লবদা নোর্থ কোরিয়া, সাউথ সুদান, ইজিপ্ট, অমসুং ইজরেল হায়রিবা লৈবাকশিং অসিখক নত্তনা লৈবাক খুদিংমক্না ট্রিটি অদু সাইন তৌখি।

ট্যির গ্যেসকা থেংনবা মতমদা রেস্পিরেটরি সিষ্টেম, মীৎ, অমদি ঊনশাগী ইরিটেসন থোকহল্লি। ট্যির গ্যেসতা য়াওবা কেমিকেলশিংনা মীওইবগী হকচাংগী প্যেন রিসেপ্টর অনী, হায়বদি TRPA1অমসুং TRPV1 গী মনুংদা অমগা বাইন্দ তৌবা মরম্না হকচাংদা চৈনাখোল ফাওহল্লি।

ট্যির গ্যেসতা এক্সপোজ তৌরুরবা মতুংদা মীওই অমনা থেংনবা সিমটোমশিং কনবা কন্দবগী চাং অসি মখাগী মরমশিং অসিগী মখা পোনবা য়াই:

– মীওই অদু অহাঙবা মতমদা লৈবা নৎত্রগা ইকোয় কোয়শিনবা মফমদা লৈবা

– শীজিন্নরিবা ট্যির গ্যেসকী য়াম্বগী চাং

– ট্যির গ্যেস অদু থাদোরকপা মতমদা মীওই অদুনা মনাক নকশিল্লুবগী চাং

– ট্যির গ্যেসকী ইফেক্টশিং অদু হেঞ্জিলহনবা য়াবা অনাবা নৎত্রগা ফিভমশিং হান্না লৈবা নৎত্রগা লৈতবা অসিনচিংবশিংনি।

মীওই অয়াম্বনা ট্যির গ্যেসতা এক্সপোজ তৌরুরবসু কা হেনবা সিমটোম উত্তনা মতন্তা রিকোভর তৌজরকই। য়ুনিভর্সিটি ওফ সান ফ্রান্সিস্কোদা চথখিবা চহী ১০গী ষ্টদি অমদা পেপর স্প্রেগী কেস ৪,৫৪৪ এগজামিন তৌখি। মদুদা রিসার্চরশিং অদুনা থেংনখি মদুদি, মীওই ১৫গী মনুংদা অমখক্তং ট্যির গ্যেসতা এক্সপোজ তৌরুরবা মতুংদা শাথিবা সিমটোমশিং দিবেলপ তৌরকই।

ট্যির গ্যেসতা এক্সপোজ তৌরুবদগী থোকহনবা য়াবা ইফেক্ট খরা মখাদা পীরি:

মীৎকী সিমটোমশিং

ট্যির গ্যেসতা হেক এক্সপোজ তৌরুবগা পি তাবা, মীৎকী আইলীদ মথন্তা খুমজিঞ্জখিবা, হাক্কজবা, থূপ্পা-শাবা, ঙাইহাক্কী ওইনা মীৎ উদবা, মীৎ শেংনা উদবা, কেমিকেল বর্ন অসিনচিংবা ঙাইহাক্কী ওইবা সিমটোমশিং অসি থেংনবা য়াই।

ট্যির গ্যেসতা মতম কুইনা এক্সপোজ তৌরুবা নৎত্রগা য়াম্না নক্কনা এক্সপোজ তৌরুবনা ওইহল্লকপা য়াবা খুদোংচাদবশিংদি: মীৎ তাঙবা, হেমোরেজ, নর্ভ দেমেজ, কেটেরেক্ট, কোর্নিয়ল ইরোজন অসিনচিংবশিংনি।

রেস্পিরেটরি অমসুং গেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল সিমটোমশিং

ট্যির গ্যেস নীংশা হোঞ্জিনখিবনা নাতোন, খৌনাউ অমদি লংসকী ইরিটেসন থোকহনবা ঙমই। হান্নদগী অতোপ্পা রেস্পিরেটরি কন্দিসনশিং লৈবা মীওইশিংদি রেস্পিরেটরি ফেলিয়রনচিংবা শাথিবা সিমটোমশিং থেংনরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।

নোংমগী ওইবা কেন্দল শাবগী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : খুরাই থাংজম লৈকায়দা নোংমগী ওইবা কেন্দল শাবগী ৱার্কশোপ, থাংজম অরুনকুমারগী মখাদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অসিদা শরুক য়াখিবা থাংজম অরুনকুমারনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী মতম অসিদা চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপা ঙম্নবা অমদি শেন্থোক লন্থী লৈহনবা ঙম্নবা হায়দুনা ঙসি কেন্দল শাবগী ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকচবনি। ৱার্কশোপ অসিনা শুফম নোম্ফম লৈত্রবশিংদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইবা ঙম্নগনি।

চাউখৎপা হায়বসি শেন্থোক লন্থী লৈতনা পুরকপা য়ারোই। কেন্দল শাবা হৈরবশিংনা কেন্দল শাদুনা পুথোকপা মতমদা মপান দগী লৈগদবগী মহুৎতা, মফম অসিদা শাজরিবশিং শীজিন্নবা মতমদা শেন্থোক লন্থী লাক্কনি। পাংবা য়াবা মতেংসু পাংজগনি হায়খি।

ওজাশিং কোমথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেসন্না তোঙান তোঙানবা য়ুনিটশিংগা পুন্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট কোলেজ ওজাশিংবু হান্নদগী চঙশিন্দুনা লাকপা তরেৎশুবা পে কম্মিসন অমসুং অতোপ্পা মরী লৈনবা দিমান্দশিংগী খোঙজংশিংদা য়াওহল্লরোই হায়না ফেদরেসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি তোকিওনা ফোঙদোরক্লি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌগদবা বি এ, বি এস সী, বি কোম অমদি অতোপ্পা এগজামিনেসনশিংদা ওজাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈবা মরম্না মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা অমদি মখোয়গী করিয়র মাঙদনবা ওজাশিংগী এজিটেসন এগজাম লোইদ্রিবা ফাওবা শরুক য়াররোই হায়রি।

কোভিদ-১৯ শন্দোক্লবা মফম ওইহনগুমসি : পি মাইপাক

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : মালেমদা কোভিদ-১৯ লায়নানা লান্দারক্তুনা য়াম্নমক মীয়ামগী পুন্সি মাঙহনখ্রবা মতুং লাইচৎ অসিদগী কন্নবা লৈঙাক্লা থৌদাং কয়া লৌখৎতুনা কোভিদ ক্যের সেন্টর মফম কয়া হাংদোক্তুনা থন্থীরি। অদুবু সেন্টরশিং অসিদা য়েংশিনবা ৱাৎপদগী কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইবগী মহুৎতা কোভিদ-১৯ শন্দোক্লবা সেন্টর ওইহনগুমসি হায়না হিন্দুষ্টান জনতা পার্টি (ওল ইন্দিয়া) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট পি মাইপাক্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সেন্টর হাংদোক্লে হায়দুনা সেন্টরশিং অসিদা চয়োল খূদিংগী মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা ইন্সপেক্সন চথৰীদুনা অশোয়-অঙাম য়েংশিনবীবা, নুমীৎ খূদিংগী পেসেন্টগী ৱার্দশিংদা ডোক্তর রাউন্দ তৌবীয়ু। লম্বোই খোংনাংখোং কোভিদ ক্যের সেন্টর অসিগী টোইলেট অমদি ৱাসরুম খূদিংমক নুপী-অঙাং পেসেন্টশিংনা চঙবা হঙ্গোইনদুনা প্লাষ্টিক তব শীজিন্নবা য়াওনরে।

মরক অসিদা, মোংশাঙ্গৈদা বেজ তৌবা মোংশাঙ্গৈ কনবা অপূনবা লূপ অমসুং সন ক্লবকী মেম্বর ওইরিবা অমদি হৌজিক হৌজিক লম্বোই খোংনাংখোংগী সেন্টর অসিদা পেসেন্ট ওইনা লৈরিবা পুখ্রাম্বম বসন্তনা লুচিংদুনা ৱার্দশিংদগী পুথোরকপা অমোৎ-অকায়শিং অদু কেম্পসতা থা অসিগী ৫ দা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখিববু পার্টি অসিগী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা এৱেয়ার্নেস পীবা লেপত্রি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ষ্টেট অসিদা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিবু মীপুম খূদিংমক্তা মমুৎ তানা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা এৱেয়ার্নেসকী থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা চথুরি। মদুগা মরী লৈননা ঙসি অংথা গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা তমারাম খুঙ্গংদা অহানবা ওইনা এৱেয়ার্নেস থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এৱেয়ার্নেসকী থৌরম অদুদা ডা. আর কে নিমাই, সেক্রেটরি আই আর সী এস, টি ঐচ মনিলাল অমদি অখি জাজোনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট আই আর সী এসকী চেয়রমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বনা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিনা মীপায়নহল্লিবা কয়াসিগী মতাংদা মীয়ামদা অকিবা য়াওদনা দব্লিয়ু ঐচ ওনা পীরিবা গাইদলাইনশিং ঙাক্লগা লান্থেংনমিন্নসি হায়খি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী গাইদলাইনশিং অসি নীংথিনা ঙাক্তুনা অমদি তৌফম থোকপা থবকশিং পাঙথোক্লবদি লাইচৎ অসি কা হেন্না শন্দোরকপা ঙম্লোই হায়না আর কে নিমাইনা ফোঙদোকখি। মাস্ক শীজিন্নবা অমদি খুৎ-শা হান্থগী দেমোন্সত্রেসনসু তৌখি।

আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্টনা মখা তারকপা থৌরম ওইনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চনবা তাংখম অহঞাও লম্পাক্তা য়ু এস এম সী অমদি পোল ষ্টার ক্লব, তাংখমগা পুন্না শীনমিন্নদুনা এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা রিমসকী প্রোফেসর অমসুং হেদ সাইকিয়াট্রি দিপার্টমেন্টকী ডা. আর কে লেনিনসু শরুক য়াখি।

‘মরাল লৈবশিং চৈরাক পীগদবনি’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন লৌকোক ৱার্দ নম্বর ১১গী মনুংদা লৈবা মশাগী চহী ১৪ রোমতা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু মহাক্না নুংশিনজবা নুপানা চেল্লসি হায়না কৌথোকপীরগা মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদা নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবা অদুদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীগদবনি নৎত্রগা কৈশুমশঙদা মপুন্সি চুপ্পা থমগদবনি হায়না ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙল দিভলপমেন্ট য়ুনিয়ন (এ এম এম পি দি য়ু) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মককময়ুম কাসির খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈঙাক্লা মীশি অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংবু বেলদা থাদোকপা য়ারোই। অসিগুম্বা মীনুংশি য়াওদ্রবা মীওইশিং ইরমদমসিদা লৈবা হায়বসি নুপী ওইবী কয়াগী পুন্সিবু তেমশিল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। নুপী ওইবীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থমগদবনি হায়না সী এস ওশিংনা লেপ্পা লৈতনা খোল্লাউ লাউরিঙৈ চৈরক অসিদা নুপীদা শারাত তমদুনা হাৎতোকপা ঙল্লিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা লোগী মতেংনা শিবগী চৈরাক পীবা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বনি। থোকখিবা থৌদোক অসি মণিপুরদা লৈরিবা নুপী খূদিংমক্কী মথক্তা থোকপনি হায়না এ এম এম পি দি য়ুনা লৌই হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

নিংথৌজম রোজিৎ, পাঙ্গল তাবি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট

টোটেল লোকদাউন চৎথরিঙৈ মনুং ফাওবদা কোভিদ-১৯গী চৎনা-কাংলোনশিং মপুং ফানা চৎনহনবা ঙমখিদে। লায়না লাইচৎসু হস্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম হেনগৎলকখি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলুরগদি ষ্টেট অসিগী ওইনা অনলোক-৪ চৎনহনবা অসি য়াম্নমক খুদোংথিনিংঙাইনি হায়না খল্লি। মরমদি হৌজিক নোংমগী লেপ্পা লৈতনা মপান্দা চৎলুবগী হিষ্টরি লৈতবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলক্লি। হোয়, লৈঙাক্লসু মীয়ামগী অৱাবা অমদি শোকচিল্লক্লবা ইকোনোমিবু য়েংলগা অনলোক-৪ তৌহল্লকপনি। অদুবু মতাং অসিদা হায়জনিংবদি খুন্নাই অসিদা মীওইবা লৈত্রগদি পূম্নমক অদুগী কান্নবা করি লৈগদৌরিবনো? মরম অদুনা তঙাইফদবা মীওইশিং চৎথোক-চৎশিন তৌহল্লবসু হৌজিক-হৌজিক কম্পলিট লোকদাউন ষ্ট্রিকলি চৎথবগী তঙাইফদবা লৈরিবরা হায়না খল্লি। নৎত্রবদি লমদম অসি লায়না-লাইচৎ অসি কা হেন্না শন্দোরক্তুনা অৱাবা তারকপা য়াই। লৈকায়-লৈকায়দসু কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স শেমদুনা য়াম্না কন্না চেকশিন্না শেন্নরবসু কদোমদগী-করমহাইনা হাইজিল্লক্তুনা পোজিটিভ ওইবা কেস য়াওশিল্লক্লিবনো খনবদা অৱাবা অমা ওই। মরম অদুনা য়ামদ্রবদা নুমীৎ ২১নি ফাওবদি কম্পলিট লোকদাউ তৌহন্নিংই।

মাইবম সোমেন, লাংমৈথেৎ ময়াই লৈকায়

ইন্টরনেসনল ফুটবোল্লর অমা ওইনবগী মঙলান মঙজরিবা নিংথৌজম রমানন্দাবু মীয়াম্না লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংনরক্লিবা অসি তশেংনা খুন্নাই অসিগী ওইনা অফবা খুদম অমনি। লায়ররবা পীকখ্রবা ষ্টেট অমা ওইরবসু স্পোর্টসকী লম্‌দা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা অচৌবা ষ্টেট কয়াবু নমথদুনা থম্বা ঙম্বনা স্পোর্টস হাউস অমনি হায়না মালেমগী লৈবাক কয়ানা শক খঙবিরি। শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎপদা ইরমদম অসিগী পুকচেল চাওরবা ইরৈচাশিংগী থৌজালসু রমানন্দাদা পাংলিবা মতেং, উৎপিরিবা মীনুংশি অসিনা হেন্না ময়েক শেংলক্লি। মহাক্কী অৱাবা মপাউ তাবদগী থংনবা মীকুপ্তা ‘নহাক্কীদমক ঐখোয় লৈরি’ হায়দুনা মীয়াম পূম্নমক হৌনরুবা লৈতনা, অহল-নহা খাইদনা মানা-মানা ঙম্বা মতেং হাপ্পরি। মসিমক য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। রমানন্দাদা কিদনি দোনেট তৌজগে হায়দুনা চোংথোরক্লিবা লক্ষমি থোকচোমবুসু মীয়াম্না মহাকপু অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবুসু তৌবিমল উৎফম থোকই। করিসু খঙনদবা মহাক্না রমানন্দাগী ৱারী তারগা অমদি স্পোর্টসপু নুংশিদুনা মশাগী কিদনি পীগনি চোংথোরকখিবা চনুরা মহাক্তি তশেংনা অতাংবনি। মীওইবলক্তগী অথোইবনি। রমানন্দাগী হকচাং থুনা ফগৎলক্তুনা লৈবাক্কী মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৮।০৯।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা; লাংবনগী ২১নি পানবা।

মেষ: নুংথিল ফাওবা নিংবা থুংবা, মীচং লৈবা, ললোন ইতিক কান্নবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেং ফংবা লৈগনি। মীনা ঈকাই খুম্নবী, ঙাংথোকপদা পকচৈ ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃষ: থবক থৌরমদা শেল-থুম থাদবা তুংদা কান্নগদবা তঞ্জা লৈ। থেংলপ্পা য়েক্লবা ঙমজবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা লৈগনি। ফংবা য়াবা শেল পনবা, য়েৎনবা লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংঙাইবা পাউ তাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মিথুন: অয়াম্বা থবক্তা মাই পাক্কনি। অদুনা মতম মাংহন্দনা থৱাই হকচাং য়াওনা অফবা থৌরম পাংহৌনবা হোৎনৌ। খুদোংচাবা হন্না হন্না লাক্তবনি, কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা অমদি ৱাখলসু থোকপা নুমিৎনি। নোল্লুকপা অমগা লোইননা খুদুপ থানা থৌনা ফুদোক্তুনা থবক পাংবা মাই পাক্লনি। অফবা মফমসু ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী- হাইজবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

সিংহ: অফা অপুন্নবা কোকচরনি, লৌশিং চাওনা ৱাখল তান্নদবা লৈরল্লসু তান্নবা য়ারগনি অমদি ওইজবা ফংগনি। অদুবু খুৎচাও থাগনু, মীপাইবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

কন্যা: নাইতোম চৎকনু অমদি অনম তানগনু। মীয়াম্নদি থাগৎকনি অমদি নচাক নরল তানশিনবা মাই পাক্কনি। মীচং খোম্বসু য়াগনি। পুকচেল পীকপা মীনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- শকখংদবা লোইননু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

তুলা: খুদোংচাবা মাংহনগনু, অশা চাওনা মাংলোমদা চংশিল্লু। মীকোক থোংবদা নত্তনা শেল থুমসু শোইদনা ফংগনি । খোইরাং খোইশাওনবা ফাথৌ অমদি ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: লম খুদিংদা মাই পাক্লনি। চিংনগনু পাঙ্গল ফুদোকউ অমদি চিন লুমগনু। অফবা মহৈনা মাংদা তাদুনা লৈরগুম্বনি। য়েৎনরম্বদু কোক্লনি, হকচাংসু খিংলনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

ধনু: শেল থুম অমদি মীয়ামগী মতেং থেংলপ ফংগনি। অয়ুক্তদি হান্নদৈ পাংলকপা থৌরমদু কাইদনা পাংবা অমদি অনৌবদি খরা চেকশিন্না পাংবা ফগদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মকর: অনম তানবা য়াদে অমদি মীয়ামগা মুক্লবসু লাইবক ফবা ৱাৎকনি। কান্নবদি য়াম্না ফংগনি অমদি অনৌবা মরম নত্রগা অনৌবা মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইবা তাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেং।

কুম্বা: মীচং লৈরে, লাইবক ফরে অমদি পাঙ্গল থৌনা ফুদোকপা মতাং চারনি। নচা ননাইগী অমদি অরং অরাক্কী লমদা পুক্নিং পেন্না নুংঙাই। ঙক কনবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিন: থেংনা নিংবা থুংগনি অমদি নচা-ননাই চাওখৎকনি। মরুপ মপাংগা পাংমিন্না থবক কান্নগনি অমদি ইমুংগী ৱাসু হিক্তোক্কনু। লনদি হান্নগুম চংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা য়ু ফাগৎপা লেপত্রি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী লমজিং মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা অকনবা দ্রাইভ চথদুনা য়ু শুংফম অমদি য়োনফম কয়া থুগায়দুনা য়াল্লবা য়ু অমদি য়ু শুংবদা শীজিন্নবা মচাকশিং মাঙহনবগী দ্রাইভ লেপ্পুনা চথরি।

হীরম অসিগী মতাংদা এস পি ককচিং ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ শন্দারকপা য়াবা প্রোব্লেমশিংগী মরক্তা য়ু ভেন্দরশিং অসিসু অমা ওইবনা দ্রাইভ অসি চথবনি। দ্রাইভ অসিদা ক্লবশিং অমদি পব্লিকনা মতেং পাংবীদুনা পাউ পীবীরকপদগী য়ু শুংফম মফম কয়া থিংজিনবা ঙমখ্রে। ঙসিসু অয়ুক অঙনবা পুং ৩ রোম তাবদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো ও সী অবাশনা লুচিংবা টিম অমনা ককচিং থোংলান অমদি নুঙ্গাই এরিয়াদা দ্রাইভ চথদুনা য়ু অমদি য়ু শুংনবা পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে লোয়ননা ফাইনসু থিহনখ্রে হায়রি।

মাস্ক অমদি সেনিটাইজর লেপ্তুনা মতেং পাংলি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : লেপ্তুনা চথুরকপা তেংবাংবগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টর থৌবালগী মায়কৈদগী ২০রকশুবা থৌবাল অমসুং ককচিংগী মফম কয়াদা মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজর পুন্না ১৩০০ মতেং পাংখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কন্টেনমেন্ট জোন ওইরিবা মফমশিং, হৈরোক লিতান মখোঙ, থোকচোম লৈকায়, তৌরাংবম লৈকায়, কবো লৈকায় অমদি হৈতুপোকপী লৈকায়নচিংবা মফমশিং অসিগী মীয়ামদা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখি।

আই ক্যের সেন্টর অদুগী মপু মাইবম ইতীননা কন্টেনমেন্ট জোনসু ওইরিবা মফমসিদা অকিবা কয়া থাদোক্তুনা মফমদুগী মীয়ামগী খরদং মতেং পাংল্লুবনি। মফমদুগী মীয়াম্না অসিগুম্না মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর মতেং পাংবীরকপগী অপেনবা ফোঙদোকপীরকই হায়নসু ফোঙদোক্লমখি।

অমরোমদা, থৌবালগী এস পি, এস ইবোমচাদসু ফেস মাস্ক ৩০০, হেন্দ সেনিটাইজর স্প্রে ৬৪ অমদি সনগ্লাস গোগ্গলস ৫০ খুৎশিন্নখি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমদসু ফেস মাস্ক ৩০০, হেন্দ সেনিটাইজর স্প্রে ৬৪ অমদি সনগ্লাস গোগ্গল ৭০ মতেং পাংখি।

কোভিদ-১৯ লায়নাসিদা হেন্না অচৌবা থৌদাং লৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা মতেং অসি তৌবনি লোয়ননা ঐখোয় পুম্নমক্না অকিবা থাদোক্তুনা দব্লিয়ু ঐচ ওনা পীরিবা প্রোটোকোল গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎতুনা লায়না অসিবু মায়থীবা পীরসি হায়না মাইবম ইতীননা মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি, আই ক্যের সেন্টরনা হান্নদা মমাঙদা থৌবাল, ইম্ফাল, বিষ্ণুপুর অমদি ককচিংগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯ থেংননবা ফ্রন্টলাইনদা মথৌ তৌরিবশিং অমদি লৈকায় লৈকায়গী মীয়াম, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংদসু মাস্ক, সেনিটাইজর অমসুং সনগ্লাস আই গার্দ আনোকশিং য়াওনা মতেং পাংদুনা লাকখিবনি।